# নোর্থ কোরিয়ানা কিহল্লকপগা মরী লৈননা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ হেন্না চাওনা চথবগী ৱাফম য়ুন অমসুং বাইদেননা য়ান্নখ্রে



সিওল, মে ২২ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইলগী অকিবশিং লেপ্তুনা পীরক্লিঙৈ মরক্তা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওল অমসুং লৈবাক অসিগী খোঙচৎতা লৈরিবা য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা জো বাইদেননা লৈবাক অনীগী অপূনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ হেন্না চাওথোকপগী ৱাফম খন্ননবা লেপ্লখ্রে।

লুচিংবা অনীনা য়ান্নবা অদু সিওলদা ইহান হান্না পাঙথোক্লিবা সম্মিটতা পুরকখিবনি। নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং নত্ত্রগা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল অমা লোঞ্চ পাঙথোরকপা য়াই হায়না লৈবাক অনীনা কন্না থাজবা লৈরিঙৈদা সম্মিট অদু পাঙথোক্লিবনি।

মখোয়না নোর্থকী চাংয়েং অদু বাইদেননা লমদম অদুদা লৈরিঙৈদা পাঙথোরকপা য়াই হায়না ফাওবা থাজখি। সম্মিট অদুগা মরী লৈননা থোকপা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মদুদি কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমসুং মসিগী অকোয়বদা নাকল অনীগী অপূনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ অমসুং ট্রেনিং হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবগী ৱাফম খন্নবা হৌবা হায়না য়ান্নখি।

কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক মরক্তা অমসুং মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী মখাদা নোর্থকা এনগেজ তৌনবা হোৎনবশিংগী শরুক অমা ওইনা মীচং অনীগী মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং পীক্লা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

সম্মিট অদু লোইরবা মতুংদা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুননা হায়খি, মদুদি মহাক অমসুং বাইদেননা নোর্থনা ন্যুক্লিয়র এটেক্ট চথুরকপগী সিনরিও য়াওনা তোঙান তোঙানবা মওংগী এক্সর্সাইজশিং পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না লেপ্লখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, বাইদেননা ৱারী শান্নবা অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবদা য়ুএসনা ন্যুক্লিয়র, কনভেন্সেল অমসুং মিসাইল দিফেন্স কেপেবিলিটিশিং য়াওনা লৈবাক অসিগী দিফেন্স কেপেবিলিটি মখল পুম্নমক শীজিন্নদুনা সাউথ কোরিয়াদা দিটরেন্স পীগনি হায়বা কম্মিটমেন্ট নৌহৌননা পনখি।

নোর্থকী থ্রেটকা মরী লৈননা সিওলদা ৱাশিংতন্না দিটরেন্স পীবা হায়বগী ৱাহম্থোক্তি কন্টিনজেন্সিগী ফিভম অমা লাকপা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিগী মীচং ওইরিবা সাউথ কোরিয়াবু দিফেন্দ তৌনবা মখল খুদিংগী মিলিটরি এসেটশিং দিপ্লোই তৌগনি হায়বসিনি।

নোর্থ কোরিয়ানা চহী অসি খক্তদা তোঙান তোঙানবা মিসাইল চাংয়েং ১৬ পাঙথোকপা য়াওনা লৈবাক অসিগী খুৎলায়গী প্রোগ্রামশিং লেপ্তুনা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনরিবসি য়েংলগা বাইদেননা খোঙচৎ অসিদা সাউথ কোরিয়াদা য়ুএসকী কম্মিটমেন্ট অদু অমুক হন্না সাউথ কোরিয়াদা পীবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরি।

পনবা য়াবদি, চহী মরিগী মনুংদা অহানবা ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা মার্চতা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা আইসিবিএম অমা চাংয়েং তৌখ্রবনি। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎহনগদবা মওংদা দিপিআরকেনা বেলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লিবদু য়ুন অমসুং বাইদেননা কন্দেম তৌই হায়না জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

# ‘এপেক্না তুংদা ক্রাইসিস থোকহন্দনবা অকনবা পোলিসিশিং পুথোক্কদবনি’




বেঙ্কোক, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
তুংগী ক্রাইসিস কয়াদা মতিক চানা রেস্পোন্দ তৌনবা অমসুং এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা হেন্না ফবা অমসুং ইনক্লুসিব ওইবা ইকনোমিক গ্রোথ লাকহন্নবগীদমক্তা এসিয়া-পেসিফিক ইকনোমিক কো ওপরেসন (এপেক) কী ইকনোমিশিংনা হেন্না কন্না হোৎন্নবা নোংমাইজিং নুমিত্তা থাইলেন্দগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর জুরিন লাক্সনারিসিটনা আপিল তৌখ্রে।

এপেক মিনিষ্টরশিংগী ওইবা ট্রেদ মীটিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা জুরিননা হায়খি, মদুদি মীফম অসিদগী কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক মতুংদা রিজনেল ইকনোমি মহৌশাগী ফিভমদা লাক্লবগী অকনবা পোলিসি ফিরেপ অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়না ঐহাক্না থাজৈ।

পেন্দেমিক মতুংদা ঐখোয়না তুংগী ক্রাইসিসশিং থেংননবগীদমক্তা লমদম অসিগী ইকনোমিশিং হেন্না ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না ঐহাক্না চেৎনা থাজৈ। থাইলেন্দনা এপেক ২০২২ গী হোষ্ট ওইরিবনি।

লৈবাক অসিগী কর্ম্মস মিনিষ্টরসু ওইরিবা জুরিননা থাইলেন্দগী “ওপন. কন্নেক্ট. বেলেন্স.” হায়বা থিম অসিদা পুম্নমক্কী মীৎয়েং চিংশিনখি অমসুং মহাক্না মেম্বর ইকনোমিশিংদা এপেক্না ইকনোমিক ইন্টিগ্রেসন হেন্না চেৎশিন্নবগী থবকশিং খুমাঙ চাওশিলহনবগা লোয়ননা ফ্রি ট্রেদ এরিয়া ওফ দি এসিয়া পেসিফিক (এফটিএএপি) প্রোগ্রেস মোবেলাইজ তৌননবা তকশিনখি।

ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন অমসুং ফুদ এন্দ এগ্রিকলচরেল সেক্যুরিটি ফগৎহন্দুনা লমদম অদুগী মীয়াম্বু নুংঙাইনা হিংহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা দিজিটেল অমসুং সপ্লাই চেন কন্নেক্তিভিটি ফগৎহন্নবা অমসুং সেভ অমসুং কনভিনেন্ট ওইবা ক্রোস-বোর্দর ট্রাবেল য়াহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এপেক ইকনোমিশিংগী ওনলাইন অমসুং ওফলাইন পার্টিসিপেন্টশিংনা শরুক য়ারিবা মীটিং অদুদা মেম্বর ইকনোমিশিংনা রিজনেল ইকনোমিক ইন্টিগ্রেসন মপাঙ্গল হেনগৎহনবগা লোয়ননা মল্টিলেটরেল ট্রেদিং সিষ্টেম শৌগৎকদবা তুঙগী ওইবা ট্রেদ পোলিসি অমা পুথোক্লবগী অপীকপা ৱাফমশিং খন্নখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী মীখল:
# লেবর লিদর এন্থোনি অলবানিসনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রে




কানবেরা, মে ২২ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফেদরেল ইলেক্সনদা লেবর পার্টিগী লিদর এন্থোনি অলবানিসনা মহাক্কী পার্টিনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না মীখল অদুদা মায়থীরে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা লেবর লিদরনা মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি।

মীখল অদুগী রিজল্টনা ওষ্ট্রেলিয়াদা চহী মাপল্লোম পাল্লকখিবা কোলিসনগী লৈঙাক লোইশিলহল্লগনি অমসুং অলবা-নিসনা লৈবাক অদুগী ৩১ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি।

লেবর পার্টিগী সপোর্টরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ওষ্ট্রেলিয়নশিংগী মরক্তা য়ুনিটি পুরক্তুনা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনগনি হায়না অলবানিসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি লৈঙাক্কী পৱার শীন্নরকপগীদমক ঐহাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্নমকপু থাগৎচরি। ওষ্ট্রেলিয়নশিংনা অহোংবা লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ঐখোয়দা ভোট পীবিরকপনি। লেবরনা মায় পাক্লিবদু হান্না রুল্লিং কোল্লিসন শৌগৎলম্বা কয়ানা পার্টি অসিবু শৌগৎনরকপদগীনি।

ভোটরশিংনা লেবরবু শৌগৎ-লকখিবগা লোয়ননা কোলিসনগী সপোর্ট বেজ চাওনা কায়খি। অলবানিসকা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা মায় পাকপা অদুগীদমক্তা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবা মোরিসন্না মহাক মায়থীরে হায়বসি য়াজখি অমসুং মীখলগী রিজল্টশিং অদুগী থৌদাং পুম্বা মহাক্কীনি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিগা লোয়ননা মোরিসন্না মহাক লিবরেল পার্টিগী লুচিংবগী ফম থাদোল্লগনি হায়নসু লাউথোকখি। মহাক্না হায়খি, মদুদি মায় পাকপা অমদি মায়থীবশিংগী থৌদাং য়াজবগা লোয়ননা ঐহাক্না পার্টি অসিবু অনৌবা লুচিংবা অমগী মখাদা থবক তৌবা ঙমহন্নবগীদমক্তা মথংগী পার্টিগী মীফমদা লিদরশিপকী ফম অসি থাদোল্লগনি।

থাংজ নুমিৎকী ফেদরেল ইলেক্সনদা মহাক মায়থীরে হায়বসি য়াজবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর মোরিসন্না স্পিচ অমদা হায়খি, মদুদি মহাক্না ওপোজিসন লুচিংবা এন্থোনি অলবানিসকা ৱারী শান্নদুনা ফেদরেল ইলেক্সনদা মায় পাল্লকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ২০১৩ গী মতুংদা অহানবা ওইনা লেবরনা গভর্নমেন্ট শেল্লগনি অমসুং অলবানিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৩১ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন্না প্রোজেক্ট তৌখিবনি।

মীখলগী রিজল্টশিং অসিগা লোয়ননা মোরিসন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা কোলিসন্না চহী মাপনরোম পৱার পায়রকখিবদু লোইরগনি।

# ‘গভর্নমেন্টগী সপোর্ট য়াওদ্রবদি শ্রী লঙ্কাদা চথখিবা প্রোটেষ্টশিং অতৈ লৈবাকশিংদসু উরকপা য়াই’




ৱাশিংতন, মে ২২ (এজেন্সী):
গভর্নমেন্টশিংনা সোসাইটিগী খ্বাইদগী লাইরবশিংগীদমক্তা চিঞ্জাক অমসুং ইনর্জিগী মমলশিং সবসিদাইজ তৌবা মথৌ তাই অমসুং মরম চাবা সপোর্ট য়াওদ্রবদি শ্রী লঙ্কাদা উখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু অতৈ লৈবাকশিংদসু থোরকপা য়াই হায়না ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আইএমএফ) কী মকোক কৃষ্টালিনা জোর্জিয়াবানা ফোঙদোকখ্রে।

বিবিসিদা ৱা ঙাঙলদুনা জোর্জিয়াবানা হায়খি, মদুদি কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী মমাঙদা অসিগুম্বা ইরাং কয়া ফ্রান্স অমসুং চিল্লি য়াওনা লৈবাক কয়াদা থোকখিবনি।

লৈবাকশিং অদুগী মীয়ামগী ৱাখলদা চাকথুং ফিথুংশিং মান্নদবগী ফিভম উরকপদগী থোকখিবনি অমসুং গভর্নমেন্টগী ৱারেপ কয়া মীয়ামগী সপোর্ট য়াওদনা লৌবগী থৌওংশিংসু উবা ফঙখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না কুমজা ২০১৯ গী থৌদোকশিংদগী খঙজিন তমশিনবা য়াবশিং খঙজিন্দুনা ঐখোয়গী পোলিসি ৱারেপশিং লৌগদবনি অমসুং তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা মীয়ামগা ইনগেজ তৌগদবনি। মরমদি পোলিসিশিং মীয়ামগী ওইগদবনি।

আইএমএফকী চীফ অসিনা হায়, মীয়ামদা হকথেংননা সবসিদিশিং ফঙহনবগা লোয়ননা টার্গেটেদ ওইবা মওং অমদা সপোর্ট পীবা মথৌ তাই। হিংবগী মমলগা মরী লৈনবা ক্রাইসিসকী মতাংদা পল্লদুনা জোর্জিয়াবানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না হৌজিক য়াম্না মরু ওইনা খন্নগদবা প্রাইওরিটি অনী লৈ।

প্রাইওরিটিশিংদুগী মনুংদা অমদি ফুদ অমসুং ইনর্জিগী মমলগী মতাংদা ইষ্ট্রগ্লিং তৌরিবা সোসাইটিগী সেগমেন্টশিং অমসুং য়াম্না লাইরবশিং অদুনি। অনীশুবা প্রাইওরিটিনা য়ুক্রেনগী লানন্না খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং নঙহল্লবা বিজিনেসশিংবু সপোর্ট পীবা অসিনি।

পেন্দেমিক্কী চৈথেংশিং থেংনবা ঙম্নবা মফম কয়াদগী শেল পুবদগী শেন্দোল চাওনা তোনশিল্লবা লৈবাকশিংনা শেল শিংবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবগী মতাংদা জোর্জিয়াবানা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা গভর্নমেন্টশিংনা শেল চাদিংগী মতাংদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# টর্কিগী সেকুরিটিগী ৱাফমদা মীৎয়েং চঙনবা ইর্দোগান্না স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দদা তকশিনখ্রে



ইষ্টানবুল, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা টর্কিগী সেক্যুরিটিগী ৱাফমশিংদা মীৎয়েং চঙনবা থাংজ নুমিত্তা নেটো এপ্লিকান্ট ষ্টেট অনীগী লুচিংবশিংদা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেব টায়িব ইর্দোগান্না তকশিনখ্রে।

টর্কিস প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ইর্দোগান্না স্বিদেনগী পিএম মেকদালেনা এন্দরসনগা ফোনদা ৱারী শান্নখি অমসুং নোর্দিক লৈবাক অসিনা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংবু পোলিটিকেল, ফাইনান্সিএল অমসুং খুৎলায়গী সপোর্ট পীবা লেপ্পনবা তকশিনখি।

ইর্দোগান্না ৱারী শান্নবা অদুদা স্বিদিস লিদর অদুদা হায়খি, মদুদি অথিংবা থমখ্রবা কুর্দিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি অমসুং সিরিয়া অমদি ইরাক্তা লৈরিবা মসিগী এক্সটেন্সনশিংগী মতাংদা স্বিদেননা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্কনি হায়না টর্কিনা থাজৈ।

কুমজা ২০১৯ দা টর্কিনা বোর্দর লান্দুনা সিরিয়াদা মিলিটরি ওপরেসন চথুখিবা মতুংদা লৈবাক অসিদা থমখিবা খুৎলায় থাদোকপগী অথিংবা অদুসু লৌথোক্লবা মহাক্না স্বিদেনদা তকশিনখি।

ফিনলেন্দগী প্রসিদেন্ট সাওলি নিনিষ্টোগা তোঙান্না ফোনদা ৱারী শান্নবদা ইর্দোগান্না হায়খি, মদুদি নাটোদা য়াওবা মীচং লৈবাক অমনা মায়োক্লরিবা টেররগী অকিবশিংবু থৌশাদবা নত্ত্রগা উশিন্নদবা হায়বসি মরুপ মপাং ওইবগী অমসুং এল্লাইয়ন্সকী ৱাখল্লোনগা চান্নদে।

লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি অমসুং মীয়ামদা ময়েক শেংনা পীরক্লিবা থ্রেটকী মায়োক্তা লোনা য়াবা মওংদা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থেংনরিবসিবু শৌগৎলক্কনি অমসুং ইকায় খুম্নগনি হায়না টর্কিনা থাজবা থম্মী হায়না ৱারী শান্নবা অদুদা ইর্দোগান্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গকা ফোনদা ৱারী শান্নবদসু ইর্দোগান্না হায়খি, মদুদি স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা টর্কিগী য়াম্না মরু ওইরবা ইস্যুশিং মরু ওইনা টেরোরিজম থেংনবা অসিবু শৌগৎতবা তারবদি লৈবাক অনীনা নাটোদা য়াওনবা হোৎনরিবসিদা টর্কিনা শৌগৎলোই।

ৱারী শান্নবা অদুদা ষ্টোল্টনবর্গকা টর্কিস লিদর অসিদা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী ৱাফমশিং শোয়দনা য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

# থৱায় পানবা পুম্নমক্কী তুংগী পুন্সি লৈহন্নবা আপিল তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
থৱায় পানবা পুম্নমক্কী তুঙগী পুন্সি শেমগৎ শাগৎনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা আপিল তৌখ্রে।

চহী খুদিংগী মে ২২ দা তাবা ইন্টরনেসনেল ডে ফোর বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটিগা মরী লৈননা ষ্টেটমেন্ট অমদা গুটরেজনা হায়খি, মদুদি বাইওদাইভর্সিটি হায়বসি সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলশিং ফঙনবা হোৎনবদা, ক্লাইমেট চেঞ্জকী থ্রেট মাঙহনবদা, লেন্দ দিগ্রেদেসন লেপহনবদা, ফুদ সেক্যুরিটি লৈহনবদা অমসুং মীওইবগী হকশেলগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাঙ চাওশিলহনবদা য়াম্না মরু ওই।

য়ুএনগী টোপ ওফিসিএল অসিনা চেকশিন ৱা পীরদুনা হায়খি, মালেমগী লম অপূম্বগী শরুক মরি থোকপগী অহুম অমসুং মেরিন ইনভাইরনমেন্টগী চাদ ৬৬ মীওইবগী থবক থৌরমশিংনা মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা অহোংবা লাকহল্লে।

নেচরগী মায়োক্তা ৱাখল য়াওদবগী মতৌগুম মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা থবক থৌওং কয়া চথুরিবসি লেপ্পনবা মহাক্না মালেম পুম্বদা আপিল তৌখি।

সেক্রেটরি জেনরেলনা মখা তানা হায়খি, মদুদি বাইওদাইভর্সিটিনা গ্রিন অমসুং ইনক্লুসিব গ্রোঠকী সোলুসনশিং পীরি। চহী অসিদা মালেমগী গভর্নমেন্টশিংনা প্লানেট অসিবু কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা রিকভরিগী লম্বীদা লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ময়েক শেংলবা টার্গেটশিং য়াওবা মালেমগী বাইওদাইভর্সিটি ফ্রেমৱার্ক অমা পুরকপা ঙম্নবা খন্নরগনি।

ফ্রেমৱার্ক অদুনা বাইও-দাইভর্সিটিদা অমাঙ অতা কয়া পুরক্লিবসি লাকশিনবা ঙম্বগা লোয়ননা মীওইবনা নেচরগা লৈমিন্নবদা চঙবা অহোংবশিং অদুবু লাকহনবা ঙমগদবনি।

বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটিগী কান্নবশিং মালেমগী মীপুম খুদিংমক ফঙহন্নবা মওংদা লৈবাকশিংগী ফাইনান্সিএল রিছোর্সশিং মোবিলাইজ তৌদুনা মশক থোকপা নেচর-পোজিটিব ইনভেষ্টমেন্টশিং উহন্নবগী ৱাফমসু মালেমগী ওইবা য়ান্নবা অদুদা য়াওহনগদবনি হায়না গুটরেজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মিলিটরিনা শৌগৎত্রবদি পাকিস্টান গভর্নমেন্টনা মীয়াম্না পাল্লোইদবা ৱারেপশিং লৌনিংদে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
পাকিস্টানগী শেল থুমগী অৱাবশিং কোকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা লৌরকপা য়াবা মীয়াম্না পাল্লোইদবা ৱারেপশিংগীদমক্তা (পিএমএল-এন) না লুচিংবা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা থৌদাং লৌনিংদে অমসুং মথং চহীগী ওগষ্ট ফাওবা চৎকদবা লৈঙাক অসিগী মতম মপুং ফাহন্নবগীদমক মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টনা শৌগৎকনি হায়বগী গেরেন্টি পাম্মী হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

দোন ন্যুজ রিপোর্টকী মতুং ইন্না পার্টি মনুংদগী মীখল ঙন্না পাঙথোকপা নত্ত্রগা মীয়াম্না পাম্না রোইদবা ৱারেপ কয়া লৌবগী মতাংদা অশেংবা ফিরেপ অমা খঙহন্নবা তকশিন্নবা লৈরিবা কোলিসন অসিনা হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্টানদা মতম চুপ্পদা মতিক ময়াই শীজিন্নদুনা লৈঙাক্তা চাওনা ইথিল পীদুনা লাক্লিবা মিলিটরিগী ময়েক শেংবা ফিরেপ অদু খঙবা পাম্মী।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, কোলিসন গভর্নমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা ঙমদবা অসিনা লৈবাক অসিগী ইকনোমি অমসুং গর্ভনান্সতা চৈথেং লাকপা হৌখ্রবনি।

আইএমএফকা বেল আউট দিল অমা য়ান্ননবা, মথংগী থাদা ফেদরেল বজেট পুথোক্লবা অমসুং খুদক্তা মীখলগী মতম লাউথোক্লবা মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টগী মায়কৈদগী পীরকখিবা ইঙ্গিৎ হৌজিক লৈরিবা লুচিংবশিং অসিনা য়ানিংদবগুম তৌরি।

মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টগা গভর্নমেন্টগা ৱারী শান্নবগী মতাঙদা নোলেজ লৈবা ছোর্স অমগী মতুং ইন্না হিরম অসি হৌজিক গভর্নমেন্ট অমদি মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবা ৱাফম হায়বদু ওইরি।

দোনগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না কোলিসন পার্টিশিংনা খল্লিবদি শেল থুমগী মতাংদা অতেনবা মতমগী ওইনা অরুবা ৱারেপশিং লৌবা তারবদি করিগুম্বা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ফিভম লাক্লবদি মখোয়দা চৈথেং চাওনা নঙগনি হায়বসিনি।

লো মেক্করশিংনা মশাগী পার্টিশিংদগী অতোপ্পদা চোংশিনবগী মতাঙদা হন্দক্তা কোর্টনা লৌখিবা ৱারেপশিংবু পিটিআইনা তরাম্না ওকখিবনি।

# বুরকিনা ফাসোদা টেরোরিষ্ট ৩০ হাৎখ্রে

ওদাদৌগৌ, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
বুরকিনা ফাসোগী নোর্থ-সেন্ট্রেল রিজনদা লৈবা মিলিটরি দিটচমেন্ট অমগী মায়োক্তা এটেক্ট চথুরকখিবদা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট ৩০ হাৎখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী আর্মিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা সেন্টর নোর্থ রিজনগী বাম প্রোভিন্সকী বৌজারঙ্গাদা লৈবা মিলিটরি দিটচমেন্টদা টেরোরিষ্টশিংনা অকনবা এটেক্ট চথুরকখি। তৌইগুম্বসুং লান্মীনা থৌনা ফনা থেংনখিবগা লোয়ননা লান্দারক্লিবা টেরোরিষ্টশিং অদু মনিং হন্দুনা চেনখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মশিং য়াম্লবা টেরোরিষ্টশিং অদু দিটচমেন্ট মেম্বরশিংনা খুৎ হন্দ্রিঙৈ অমসুং এয়র ফোর্সনা য়ৌশিল্লক্ত্রিঙৈদা মফম অদুদগী চেনখি। এরিয়া অদুদা থি হুম্বা অমদি সেক্যুরিটি ওপরেসন চথুদুনা এটেক্করশিং অদুবু ফঙননা হোৎনখি।

লান অদুদা লাম্মী মঙা শিখি অমসুং অতৈ তরানা অশোক অপন নঙখি। কুমজা ২০১৫ দগী বুরকিনা ফাসোদা টেরোরিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেক্টশিংদা মীওই ১০০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়রি।

# ফ্যুএল থমজিনবশিংগী মায়োক্তা শ্রী লঙ্কা শীন থুংনা রেইদ চথবা হৌখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্লরিঙৈ মরক্তা মমল কানা য়োন্নবগীদমক্তা দিজল অমসুং পেট্রোল থমজিল্লিবশিংগী মায়োক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীলঙ্কাদা পুলিসনা লৈবাক শীনবা থুংনা রেইদ চথবা হৌখ্রে।

পুলিসকী স্পোক্সমেন নিহাল থালদুৱানা ফোঙদোরকখিবদা গ্যাস ষ্টেসনশিংদা ক্যুদা লেপ্লিবা মীওই কয়ানা অহেনবা মমলদা য়োন্নবগীদমক্তা থাউ লৈরিবনি হায়বগী পাউ ফঙলে। থাউ ফংলবসু মীয়াম্না মখা তানা ক্যুদা লেপ্পরিবা ওইবনা অসুম্না থাউ লৌরগা মমল কানা য়োনবা অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে।

চৈরকসিদা পেট্রোল পুবা জহাজ অমা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা কলম্বোদা অনলোদ তৌবা হৌখ্রে হায়না মিনিষ্টর ওফ পৱার এন্দ ইনর্জি কঞ্চনা ৱিজেসেকেরেনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পেট্রোল পুবা অতোপ্পা জহাজ অমসু মে ২৫ দা থুংলরগনি। ইথৎ লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্না চাওনা শোকহনখিবগা লোয়ননা ইনর্জিগী মমলশিং কা হেন্না ৱাংলকখিবনি। ফোরেন করেন্সি লৈরক্তবা অমসুং ইনফ্লেসন ৱাংলকপদগী লৈবাক অসিদা হিদাক লাংথক ফ্যুএল অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা ফঙলকখিদবনি।